# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 27-02-2026)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী ষ্টিল এন্দ হেভি ইন্দষ্ট্রিজগী রাজ্য মন্ত্রি-শ্রী ভুপতি রাজ্ শ্রীনিবাস ভর্মানা ঙসি নোনে জিলাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে।

২) মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোনসাংনা হায়রি- করিগুম্বা অঙাংশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা অকিবা য়াওদনা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎকদবনি।

৩) ফেরজোল জিলাদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)গী অহানবা ব্রাঞ্চ অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং রাজস্থানগী আজমিরদা চত্তুনা লুপা কোতি লিশিং ১৬,৬৮০ গী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

অমসুং

৫) সরভাইকেল কেন্সরদগী ঙাকথোকবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থগদবা হ্যুমেন পাপিলোমা ভাইরস ভেক্সিনেসন কেম্পেন হয়েং প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোক্লগনি।

------

ভুপতি (এল)ঃ কেন্দ্রগী ষ্টিল এন্দ হেভি ইন্দষ্ট্রিজগী রাজ্য মন্ত্রি-শ্রী ভুপতি রাজ্ শ্রীনিবাস ভর্মানা ঙসি নোনে জিলাদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখ্রে।

মন্ত্রিনা ঙসি লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা হেক থুংলবদা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রী বিদ্যা মারি শ্রীধর, জিলা অসিগী এস.পি. শ্রী নমসাদাই পিতর পামৈ, রেলৱেগী দিপ্যুতি চীফ ইঞ্জিনিয়ার (ব্রিজ)-নামন অমসুং অতৈ জিলা থাক্কী ওফিসারশিংনা মহাকপু তরামা ওকখি।

শ্রী ভরমানা লোংমাই প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা চৎতুনা বিনিফিসরিশিংদা পি.এম. জে.এ.ৱাই. হেলথ কার্ড মরি খুৎশিন্নখি। মন্ত্রিনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে পয়ার, অৱাং খুল রেলৱে ষ্টেসন অমসুং নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট চত্তুনা য়েংশিনখি। মন্ত্রিনা হাওচোং সবদিভিজনগী মনুং চনবা রাংখুৱাং পার্ট ৱানদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামীনগী মখাদা শাবা য়ুম অমা বেনিফিসরিদা খুৎশিন্নখি। তুংদা মন্ত্রিনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগা দি.সি ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী স্কিমশিং মীয়ামদা য়ৌহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

সিএম (এল)ঃ শিরুই ফেষ্টিভেল ২০২৬ কী ওর্গনাইজিং কমিতিগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ঙসি বাবুপারাদা লৈবা সি.এম. সেক্রেরিয়েট ওফিসতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা এম.এল.এশিং, সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

কম্মিসন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমদি দ কিদস মোল্ডে স্ল্, য়াইরিপোকা পুন্না শিন্দুনা মহৈরোই অমদি নহাশিং নেসনেল করেক্তর শেন্দ্বদা লৌগদবা থৌদাং অমদি পোক্সো এক্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক্তা লৈবা দ কিদস মোল্ড স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোনসাংনা হায়- মমা মপা, ওজাশিং, স্কুল কাউন্সিল্লরশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেতরশিংনা অঙাংশিংগী য়াইফনবা অমদি ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অঙাংশিংবু মশা ঙাকথোকচনবা তাকপী তন্বীবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা অঙাংশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপদা অকিবা য়াওদনা মরী লৈনবশিংদা ব্রাকৎকদবনি। মহাকা মখা তানা হায়- স্কুলগী ওজাশিং অমসুং মমা মপাশিংনা খুৎশমদুনা অঙাংশিংবু চেকশিন্না ঙাক শেনবীদুনা অফবা মতিং লৈবা নাগরিক অমমম ওইহন্নবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুগী টেকিকেল সেসনদা সোসিয়েল সাইন্তিষ্ট ডাঃ ধনাবির লাইশ্রমনা প্রি-মেরিটিয়েল কাউন্সেল্লিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি অমদি তেংনৌপল জিলাগী চাইল্ড ৱেলফ্যার কমিতিগী মেম্বর সেক্রেতরি দরগম খালিংনা পোক্সো এক্টকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেতরি দব্লিউ. ফজাতোম্বী দেবী, মেম্বর এস.কে. সোফিয়া, কিদস মোল্ড স্কুলগী ফাউন্দর অমদি এদমিনিষ্ট্রেতরনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

থিয়েতর (এল)ঃ ৱার্ল্ড ঠিয়েটর ডেগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালনা শিনদুনা ঙসি রেজিস্তার তৌরবা ঠিয়েটর গ্রুপ ১৫ খনখ্রে। পুন্না ঠিয়েটর গ্রুপ ৩৩ না মখোয়গী স্ক্রিপ থাজিল্লক্লবা তুংদা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালদা লোট্রেরি তৌদুনা ঠিয়েটর গ্রুপ ১৫ খনগৎখিবনি। মখোয়গী প্লেশিং মথং থাগী ২৭ তগী অকাশবানিদা শন্দোকপা হৌগনি।

পরিক্ষা (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা হৌজিক চত্থরিবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসনগী ঙসি পাঙথোকখিবা পরিক্ষাগী ওপসনেল সবজেক্টতা মহুৎ শিল্লগা পরিক্ষা থারম্বা মহৈরোই অহুম তান্থোকখ্রে হায়রি।

বোর্দকী সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা মহৈরোই অহুম অসিগী মনুংদা অনিনা লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদগী অদুগা অমনা কুমারি হাইস্কুল হিয়াংথাং সেন্তরদগীনি।

বেঙ্ক (এল)ঃ ফেরজোল জিলাদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)গী অহানবা ব্রাঞ্চ অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। এস.বি.আইগী চেয়ারমেন চালা শ্রীনিভাসুলু সেথিনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা এস.বি.আই পারবুং বেঙ্ক ব্রাঞ্চ অদু হাংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মনৱামচিংনা হায়- ঙসি হাংদোক্লিবা এস.বি.আইগী ব্রাঞ্চ অসিনা লমদম অদুগী মীয়ামদা বেঙ্ককী খুদোংচাবা কয়া পীবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা এস.বি.আই চুরাচান্দপুরগী চীফ মেনেজর, পুলিসকী ওফিসিয়েলশিং এস.বি.আইগী ষ্টাফশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং অমদি পারবুং ভিলেজ ওথোরিতিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

সেন্সস (এল)ঃ ইং ২০২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীকোক থিবগা মরী লৈননা চুরাচান্দপুর জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কেম্পসতা নুমিৎ হুমি চত্থরকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লোইশিনখ্রে। চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী মীকোক অমসুং য়ুমকোক থীনবগী ত্রেনিং অসিগী মনুং চন্না দেটা খোমজিনবা, এপ্লিকেসন্নচিংবা দিজিতেল টেকোলোজি কয়া শিজিন্নবগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

এময়ু (এল)ঃ জিলা থাক্কী ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ কী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সিনেট হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এন.এস.এস সেলগা মাই ভারত ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশমরগা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার

এন. লোকেন্দ্র সিংহ, থবক্তগী পোখারবা ভারত লান্মীগী লেফটনেন্ট জেনেরেল কোনসম হিমালয় সিংহনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অমুর (এল)ঃ সেটেলাইট ত্রান্সমিতর হাপ্লবা অমুর ফালকোন অহুম ঙসি তমেংলোংগী চুই লুৱান রুষ্টিং সাইটতগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা থাদোকখ্রে। অহু, অলাং অমদি অপাপাং হায়না মীংথোনবা অমুর ফালকোন অহুম অদু ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীহুৎশিং অমদি চুই লুৱান ভিলেজগী ভোলুন্তিয়ারশিংনা থাদোকখিবনি।

ত্রেনিং (এল)ঃ আই.দি.পিশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা চেঙ্গুম থাবা অমদি খোই য়োকপগী ত্রেনিং প্রোগাম অমা ঙরাং ককচিং জিলাগী সেরৌ ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌবালগী হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার অমসুং ৱাইখোংগী সবদিভিজনেল ওফিসারগা খুৎশমদুনা শিনবা ত্রেনিং অসিদা এস.দি.ও ৱাইখোং আরবিন্দ হংলেম অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার কয়া শরুক য়াখি।

মোক দ্রিল (এল)ঃ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মণিপুরনা শিন্দুনা ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংগী ওইবা কম্প্রিহেন্সিভ কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমদি মোক দ্রিল ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ফোরেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিনা ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট, ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্ট অমসুং মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস মপুং ফানা চৎনহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। থৌরম অদুদা কঞ্জার্ভের ওফ ফোরেষ্ট, সেন্ত্রেল সার্কল অমসুং স্পেসিয়েল সেক্রেতরি আর.কে. আমরজিৎনা ইন্ত্রোস্পেক্তিং অৱার রোলস এজ ফোরেষ্টর হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা প্লাষ্টিকা নম্থুল তুরেলগী ঈশিংদা অপনবা পীবা অমদি ঈশিংগী অৱাবা থেংননবা ত্রেদিসনেল ৱাটর হারভেষ্টিংগী লমদা পাউমীশিংগা খন্ন-

নৈনবগী থৌরম অমা হয়েং পাঙথোক্কনি। ইম্ফালগী ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহ অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজাকুমার সিংহ শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা প্লাষ্টিক া নম্বুল তুরেলগী ঈশিংদা অপনবা পীবা অমদি ঈশিংগী অৱাবা থেংননবা ত্রেদিসনেল ৱাটর হারভেষ্টিংগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং রাজস্থানগী আজমিরদা চত্তুনা লুপা কোতি লিশিং ১৬,৬৮০ গী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা অরবান দিভলপমেন্ট, ৱাটর সপ্লাই, লম্বী-থোং, ঈথৈ লৌখোং, ইনর্জি অমসুং উদ্যোগশিং চাওখৎহনবা য়াওরি।

শ্রী মোদিনা মীয়ামগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি।

অনা লায়েংগী লমদা খুদোংচানবা অমদি নুপীশিংবু হেন্না য়াইফনবগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থগদবা
চহি ১৪ গী নুপীমচাশিংগীদমক্তা হ্যুমেন পাপিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) ভেক্সিনেসন হয়েং হৌদোক্কনি। মসিনা নুপীশিংদা নাগনবা সরভাইকেল কেন্সর ঙাকথোকপদা চাউরবা মতেং ওইরগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী নুপীমচা অমসুং নুপীশিংদা হকশেলগী ফিভম ফগৎহনবদা অচোবা খোঙথাং অমা ওইরগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং শঙ্গাগদবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা- বান্দিকুইদগী জয়পুর ফাওবা শমগদবা লেন মরি লৈবা গ্রিন ফিল্ড এক্সপ্রেস, অমৃটসর-জামনাগর ইকোনোমিক কোরিদোরগী ৭ শুবা সেক্সনগী লেন ৬ লৈবা এসেস কন্ত্রোল গ্রিন হাইৱে অমসুং দিল্লি-বাদোদরা এসেস কন্ত্রোল গ্রিন ফিল্ড এক্সপ্রেসৱেগী ১৪ শুবা সেক্সনগী লেন ৮ লৈবা কেরিএজ ৱে য়াওরি। শ্রী মোদিনা জোধপুর সহরদা লেন মরি লৈবা ইলিভেতেদ রোড অমসুং বরেন জিলাদা মালাব মোরি মানগ্রোর বেরেন ষ্টেট হাইৱেসু উরেপ উয়ুং তমগনি। মীয়ামদা থবক ফংহন্নবা অমদি নহাশিংবু শক্তি পীননবগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা

রাজস্থানগী তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংদা নৌনা থবক চংলগদবা মীওই লিশিং ২১,৮০০ দসু এপ্পোইন্টমেন্ট লেটরশিং খুৎশিন্নগনি।

শ্রী মোদিনা গুজরাত্তসু হয়েং চৎকনি। মহাকা হয়েং নুমিদাংৱাইরম সোনান্ডদা লৈবা মাইক্রোন সেমি কন্দক্তর ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিতেদতা সেমি কন্দক্তর এসেম্বলি, টেষ্ট এন্দ পেকেজিং এ.টি.এম.পি ফেসিলিতি শঙ্গাগনি। মসিনা ভারতকী সেমি কন্দক্তর শেম শাবগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোকপা ঙম্লগনি। মসিনা মালেমদা ভারতনা সেমি কন্দক্তর পুথোকপগী লমদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্ল। তুংদা মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদসু শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ অসি টেকোলোজি, রিফোর্মস অমসুং ফাইনান্সতা মীৎয়েং থম্বা বিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী রোড মেপ অমনি। প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ঙসি টেকোলোজি রিফোমর্স এন্দ ফাইনান্স ফোর ভিক্সিত ভারত হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা পোষ্ট বজেট ৱেভিনার অমদা ফোংদোকখিবনি।

ৱেভিনার অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, বেঙ্কিং সেক্তর, রিফোমর্স, ফাইনান্সিয়েল সেক্তর, আর্কিটেকচর অমসুং টেক্স রিফোমগী খুত্থাংদা মীয়ামগী পুন্সি মহিং লায়থোকহনবগী মতাংদা খন্নরি।

কেন্দ্রগী বজেট ২০২৬-২৭ কী মতুংদা মরুওইবা হীরমশিংদা পাঙথোক্কদবা ৱিভিনারশিংগী মনুংদা ঙসিগী অসিনা অহানবনি। শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী ওইনা বজেটতা লাউথোকখিবশিং নীংথিনা থবক পায়খৎনবা পান্দমদা ৱেভিনারশিং অসি শিনবনি। মসিদা উদ্যোগ, ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুটশিং, মার্কেট পার্টিসিপেন্স, সরকার উদ্যোগকী লুচিংবশিং অমসুং অখণ্ড অহৈ কয়ানা বজেটতা লাউথোকখিবশিং মপুং পানা থবক পায়খৎনবা পুন্না হোৎননবগী তাঞ্জা পীরি।

রাস্ত্রপতি ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, ঙসি রাজস্থানকগী জৈসেলমরদা চৎতুনা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী বাইয়ু শক্তিদা শরুক য়ারি। নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু ঙরাং রাজ্য অসিদা থুংখিবনি।

বাইয়ু শক্তি অসিগী মনুং চন্না ইয়ার চীফ-অমর প্রিত সিংহগা লোয়ননা ভারতকী অহানবা দিজাইন ওইরিবা এল.সি.ঐচ. প্রচানদা রাস্ত্রপতি তোংখি। মসিগী মতুংদা, ভারত-পাকিস্তান ঙমখৈদা লৈবা পোখ্রান হিল ফয়ারিং রেঞ্জতা পাঙথোক্কদবা বাইয়ু শক্তিগী মপুং ওইবা থৌরমদা শরুক য়ারি।

থৌরম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমদি মুখ্য মন্ত্রি-ভজনলাল শর্ম্মা শরুক য়ারি।

জপান ঃ ভারত অমসুং জপানগী জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ- ধর্ম্ম গার্জিয়ান উত্তরাখন্দগী অলমোরা জিলাদা চথুরি।

এক্সরসাইজ অসি থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা মথং থাগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদা লৈবাক অমমমগী লান্মী ১২০-১২০ শরুক য়ারি। জপানগী ৩২ শুবা ইনফেন্ত্রি রেজিমেন্টতগী লান্মীশিং অমসুং ভারত লান্মীগী লদাখ স্কাউটস রেজিমেন্টকী লান্মীশিং এক্সরসাইজ অসিদা য়াওরি। মসিদা লৈবাক অনিগী লান্মীশিংগী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীনবা অমসুং অনৌবা টেকে ালোজিশিং শিজিন্নবগী মতাংদা ত্রেনিং পাঙথোক্লি।

মেঘালয় ঃ ৬ শুবা ইন্দিয়া-জপান ইন্তেলেকচুয়েল কনক্লেভ শিল্লোংগী ভিবানতা হোতেলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমানা হায়- হৌজিক ফাওবদা মেঘালয়দগী নর্স ৪৭ জপানদা থবক ফংখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা চহি অনিসিদা শিল্লোং চেরি ব্লোজমদা জপানগী পেভিলিয়ন হাংদুনা জপানিজ ত্রেদিসন, কলচর অমদি চীঞ্জাক্কী ষ্টোলশিং হাংখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিনবা ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথ্খরকপা মঙা শুবা এল. মেমচা দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৬ ঙসি লোইশিনখ্রে। জিলা অসিগী থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা চথ্খরকপা তুরনামেন্ট অসি য়াইরিপোক এফ.সিনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা এস.ও.সি-দি.ই.সি ৱাংজিংনা অনিসুবা তাখি। সুপর দিভিজন লিগ অসিদা পুন্না টিম ৬ না শরুক য়াখি।

ক্রিকেট ঃ ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা চেম্প খাগেমপল্লিনা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-ত্রাউ ৱাকৈথেলনা রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

তুরনামেন্ট অসিগী ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আর.সি.এ লিলোংনা সি.আর.এ.য়ু খমাম বজারবু রন ১২ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ থৌবাল জিলাগী তেন্থা হৈবুং ত্রান্সকুইলিতি ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহুম শুবা টি.কিউ.সি ত্রোফি ২০২৬- লেট ইরুংবম বিরবল মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ওপন ক্রিকেট তুরনামেন্ট এম.কে.এস চীংমৈরোংনা

ৱিন্নর ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম.কে.এস চীংমৈরোংনা ফেসন ক্লিন থৌবালবু রন ৪ দা থোইখি। তুরনামেন্ট অসিদা টিম ১৬ না গ্রুপ মরি খায়দোক্তুনা শান্নখি।

------